থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লাইরিক হৈবা কনানো? খন্দোকমিন্নসি

ঐগী শাগৈগী ইনাও অমা লৈ। মহাক্না তত্তনা হায় ...'ঐখোয়গী লৈপাক অসি লাইরিক হৈবশিংনা মাঙহনবনি... লাইরিক হৈবা মীশিং অসিদি ময়াম মরকসিদগী খন্দোক্লগা ঙম্লমক নোংমৈনা কাপ্লগা হাত্তোক্কদবনি'...। ঐদি খঙই - মানা হায়নিংলিবসিনা অমনি, চীন্দগী থোরক্লিবা খোন্থোকসিনা অমনি। অসিগুম্বা 'খোন্থোক' নৎত্রগা 'ৱাহায়' অসিবু ইংরাজি লোনদা 'আইরনি' (irony) কৌই। ফোঙদোক্লিংলিবা নৎত্রগা হায়নিংলিবা ৱা অদু তাহন্নীংলিবা মহাক্কুনা শোয়দনা তানবগীদমক হায়নিংলিবা ৱা অদুগী ওন্ন-তৈনবা ৱা ওইনা ফোঙদোকপা। অফবতা মশরুক ওইহন্নিংবা মচা অদুনা হায়বা ইন্দবা/লমহেনবা মচা ওইরক্লবা, নুংশিবা ৱাহৈনা ৱারক ৱাতেম্বদা য়ারক্ত্রবা মতমদা শাউনিংবনা খম থেংলবা মমা-মপা ওইবশিংনা, নুংশিখ্রবা মচাদুদা 'নঙতা শিজখ্রোনহে, নঙ পোক্লুবদগী ঐহাক ৱারিবনিনে' হায়রক্লবা মতমদা, মচাদুনা মমা-মপানা মাবু ৱারৌরে খঙলকপদুগুম্বনি। 'শিজখ্রো' হায়বগী মহুত্তা হু পীজদুনা, নৎত্রগা অতোপ্পা পান্থে অমনা হাত্তোক্লমগদবনি। মহাক্কী অশেঙবা অপান্থদি 'মচাদুবু ফহন্নীংবনি। অদুবু, আইরনিকল ওইবা ৱাহৈ নৎত্রগা ৱাহৈ পরেং অমা শীজিন্নবা হায়বসিসু অরুবা আর্ত অমনি। অইবা ওইনা (রিত্তন লেঙ্গুয়েজদা) শীজিন্নবগা, ৱাঙাং (খোন্থোক) ওইনা শীজিন্নবগা, মওং অনীসিসু মান্নদে। লোন অসি শীজিন্নবগী মফম-মতম, তাঞ্জা-মেঞ্জা অইবা ওইরগনা শেমগৎপগী হৈশিংবা, ঙাংবা ৱাঙাং ওইরগনা থোরক্লিবা খোন্থোক্কুগী মখা পোল্লি লোন অদু শীজিন্নবগী কান্নবা নৎত্রগা কান্নদবা। নেগেতিব ওইবা ৱাহৈ অমা ওইরবসু, আইরনি শীজিন্নবগী পান্দমদি - পোজিতিব ওইবা রিজল্ট অদুনি। শীজিন্নরিবা ৱাহৈ অদুগী ওন্ন তৈনবা অর্থ অদু অতাবনা লৌশিনবা ঙমদ্রবা, 'আইরনি' শীজিন্নরুবগী কান্নদে। অনাবই থম্মোয় খোন্দবা দাক্তর খরনা, অনাবা পুরক্লিবা পার্তিগী ৱা তারগা, ৱা অদু লৌবীবগী মহুত্তা 'দাক্তরসি নঙ হেক ওইরোনে' হায়রকপগী ৱারী অদুসু 'আইরনি' মখল অমনি। পোজিতিভিজম য়াওদবা নেগেতিভিজমনা থনবা আইরনি।

'নঙতা শিজখ্রো' - মমাদুনা/মপাদুনা হায়রকপদা, মহাকপু তশেংনা মমা/মপাদুনা তশেংনা নুংশিদ্রবনি খন্দুনা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখিবই থৌদোকসু থোকখ্রবনি। মসিনি, 'আইরনি' শীজিন্নবা হৈতবগী অৱাবা।


মদুমক্তি, ঐগী ইনাওশিগী মফমদা থোক্লিবা। তশেংবদি, মহাক্না লাইরিক হৈবা মীশিংবু ইকায়খুম্নদবা নত্তে। লাইরিকহৈবা খুদিংমকপু মহাক্না য়েক্লবগুম লৌরুবসু নত্তে। লাইরিক হৈববু মহাক্না তৃক্কচ্চবা ওইরম্লবা, মচাশিংবু মহাক্না অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তমহল্লম্লোই। মচানা লাইরিক হৈবা মীশক অমা ওইরক্লগা, হরাও-মোমোন্নজরিবা, মথম্মোয়নুংদা হরাওরিবা, মচাবু লাইরিক তমহনবদা পাম্মুবা লৈত শেল থাদরিবা মহাক্না 'লাইরিক হৈবশিং খন্দাক্লগা হাৎকদবনি' হায়বসিদই হেন্না তমথিবা (সিরিয়স ওইবা) 'আইরনি' অমা লৈররোই।

'লাইরিক হৈবশিংনা লৈপাক মাঙহনবনি' - ৱাহায় অসি দিবেত অমগী প্রোপোজিসন অমগুম্বনি। করম্না মাঙহল্লিবনো? মরম চাবা (লোজিকল ওইবা) অর্গ্যুমেন্ত কয়ানা যূম্ফম ওইদুনা শাগৎপা শন্দোক-ৱারোল (এক্সপ্লেনেসন) অমা পীবা ঙমদ্রবা, মীওই কাঙলুপ অনীগী মরক্তা অচৌবা লৈই অমা চিংখিদৌরিবনি। নৎত্রগনা, মরৈ অদু য়েৎনরিবা মীওই অনী নৎত্রগা অহুমদুগী মরক্তা অমনা অমবু লান্না লৌনবতা নত্তনা য়েক্লবসু য়ারিবনি। শোয়খিবা ৱাহৈ অমদগী মপা-মচা, মচিন-মনাও হাত্তোক্লবসু য়াওরিবনি। নঙ-মা হায়বা মিংগৌ শীজিন্নবা ফাওবদা থৌগল্লোন কায় হায়দুনা খৎনরিবা খুন্নাইনি। অদুনবু হায়নরল্লিবনি - মীনা শিবনা চীন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা। মরম অসিনা মীতৈ খুন্নাই অসিদদি ৱাহৈ অমদি খোন্থোক অনীসি য়াম্না চেকশিনগদবনি।

লৈপাক অমা শেমগৎপা নৎত্রগা মাঙহনবা- অনীমক, লৈঙাক থৌসিলনা থোকহল্লি। অফবা লৈঙাক থৌসিলনা শেঞ্জা-থুমজা লৈহন্দে, লায়র-অনঙ কোকহল্লি, অফবা নাগরিক (লৈপাক-মচা/সিতিজেন) শেমগৎলি, অফবা লৈঙাকপা পুথোকই, ইকোনোমিক গ্রোথ লৈহল্লি, চাউখৎপা লৈপাক ওইহল্লি। লৈপাক মীয়ামগী থাজবনি- অদুগুম্বা থৌশিল শেম্বসু, থৌশিল থবক্তা ওন্থোকপসু লাইরিক হৈবশিংগী থবক্লি। মরমদি- লৈঙাক্কী মরূ ওইবা ফম'মখৈ, প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্তেসনগী থবক্কু মখৈদি, ঐখোয়না 'লাইরিক হৈবা মী' নি হায়না খন্নরিবা মখোয়দুনতা পায়। থবক্কুনা মওং তারক্তবা, চাউখৎপগী লম্বীদা চৎলক্তবা, মথোঙ হুক্তবা থৌওংমক্তা চত্থরকপা, শেঞ্জা-থুমজা হায়বসি তৌদ-য়াদবা গভর্নমেন্টকী পোলিসি অমা ওইরকপগুম তৌরকপা ... অসিগুম্বা ময়ামসি উবদনি অহৌবদা পঞ্জখিবা, ঐগী ইনাও অদুনা 'লাইরিক হৈবনা লৈপাক মাঙহনবনি, মখোয়বু ঙম্না হাত্তোক্কদবনি' হায়বা ষ্টেটমেন্ত অমা পীরক্লিবা। মহাক্কী ষ্টেটমেন্ত অসি, মহাক্কী মরূপ মপাঙ, লোয়নবশিংনা লৌদ্রিবা, তাদ্রিবগী মরমদি - ঙসিগী পাউদম অসিগী ৱা মচং ওইনা লৌখৎচরুবা 'আইরনিকেল ষ্টেটমেন্ট অমা করম্না মীয়ামদা লান্থোক্কদগে' হায়বা অদু খঙদবা অসিনি।

অরুবা সবজেক অমা লৌখৎচরুরবনা, ৱাফমসিমত্তংদি পল্লম্বা চুম্বরা খল্লি - লাইরিক হৈবা কদায়বু কৌবগে? স্কুল/কোলেজ/যুনিভর্সিটিগী দিগ্রী পায়বা মীশিংদুবু ঐখোয়না লাইরিক হৈবনি হায়না লৌনরিবা 'নোসন' অসি অচুম্বরা? যুনিভর্সিটি দিগ্রী পায়দবশিংগী মরক্তদি লাইরিক হৈবা য়াওদবরা? ইবা-পাবা ঙম্বা (লিতরেত) হায়বসিগা লাইরিক হৈবা (ইদ্যুকেতেদ) হায়বসিগা অনী অসি মান্নদে। ইবা-পাবা হায়বসি ইদ্যুকেসন ফংনবগী পান্থে অমনি। হায়বদি, মোর্দন কন্সেপ্ত অসিদা লাইরিক হৈবা (লৌশিং লৈবা) মীশক অমা ওইনবা লাইরিক ইবা অমসুং পাবা ঙম্বা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা, তঙায়ফদ্রবা অমনি। মমাংঙৈগী মতমগুম লাইরিক্কী মতেং য়াওদনা চীন্থাং ৱারীদগী লৌশিং ফংবা য়ানবগী পান্থে অদু লৈতরে। মতীক চাবা ইদ্যুকেসেন ফংলবা মীশক অদুবুনি ঙসি ইদ্যুকেতেদ (লাইরিক হৈবা) হায়না খঙনরক্লিবা। মতাং অসিদা সাইন্সকী মপা-শক্লবা (ফাদর ফিগর) অলবর্ত আইনস্তাইনগী ৱাহৈ খরা নীংশিংলুবা কান্নগনি ...'অশেংবা ইদ্যুকেসন হায়বদুদি স্কুল-কোলেজ-যুনিভর্সিটিদা তম্লকখিবা ময়াম অদু ঙম্লমক কাউথোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা মখাক অদুনি'...। ঐখোয়গী ঈরক্তা লৈরিবসি মী মখল মরী খক্তনি, কাউগুমসি - (১) লাইরিক ইবা পাবসু হৈবা, লাইরিকসু হৈবা মী; (২) লাইরিক ইবা পাবদি হৈবা, লাইরিক্তি হৈতবা মী; (৩) লাইরিক ইবা পাবদি হৈতবা, লাইরিক্তি হৈবা মী; (৪) লাইরিক ইবা পাবসু হৈতবা, লাইরিকসু হৈতবা মী।

অদোম করম্বা মী মখলনো? ইশাদা অমুক্তং য়েংবীয়ু।




লৌশিং পুক্কে

# শা কয়া খোঙ্গুল মুংখিবনা হকশেলদা পীরক্লিবা চৈথেং

মীওইবনা মতম শাংনা হিংনবগীদমক অকোয়বগী এনভাইরোনমেন্ট মওং তানা লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। অকোয়বগী ফীভমনবু শোকচিল্লক্লবদি মীওইবনা মতম শাংনা হিংবা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। অকোয়বগী ফীভম মওং তানা লৈহনবা হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কী থৌদাংনি। মীওইবা খুন্নাইনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরবা মতমদা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। মতমদুদা মীওইবগী পুন্সি মহিংসু ফগৎহনবা ঙমগদৌরিবনি। ঙসিদি মীওই খুজোক খরনা মশাগী মরন্নাই শেন্দাল লম্বী ওইনা উমং কয়া কোকথোকপগা লোয়নবা লম্লক্কী শাশিং হাৎতুনা য়োল্লি।

উমং কোকথোকপা অমসুং লম্লক্কী শা হাৎপনা এনভাইরোনমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি হায়বা খঙলবসু থৌওং অসি মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। অপীকপবু ওইরবসু অচৌববু ওইরবসু থৱায় পানবা কাঙলুপ অমা খোঙ্গুল মুংখিবা মতমদা য়াম্না চাউনা মালেমদা অকায়বা থোকহল্লকই।

মরমদি থৱায় পানবা খুদিংমক অমনা অমগী মপান তাঙদুনা থিংনরিবনি। করিগুম্বা সমুদ্রগী ঈমায় শাবা হেনগৎলকপদগী অপীক-অপীকপা তীল-কাঙ খরা শিখিবা মতমদা মদুবু চারগা হিংলম্বা ঙাশিংগী মশিং হন্থরক্লগনি। অমরোমদা মীওইবনা ঙসি শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক অয়াম্বা পাম্বীদগী শুংবা ঙাক্তনি। অপীকপা তীল-কাঙশিংনা পোলিনেসন তৌরগা পাম্বী অয়াম্বা খোঙ্গুল মুংত্রিবনি। মরম অদুনা তীল-কাঙ লৈত্রবদি পাম্বীসু মশিং হন্থরকপা মশানা তাবনি।

মালেমদা লৈরিবা খুদিংমক অমনা অমগী মপান তাঙলগা হিংবা মরম্না অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবা হায়বসিদা ইশামক্কীসু অদুম্মক য়াওরবনি। অকোয়বগী ফীভম ফগৎহন্নবা থবক মচা অমত্তং তৌবদা ইশাগী য়াইফনবা থবক তৌরবনি হায়না লৌবা য়ারে। ৱাখল্লোন অসিদা যুম্ফম ওইরগা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা জুন ৫ দা 'ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডে'গী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লম্লক্কী শা-উচেক হাৎলগা য়োনবগী থৌওং পাক-শন্না চত্থরক্লে। দব্লিয়ু দব্লিয়ু এফকী রিপোর্ট মতুংইন্না শুপ্নগী চহী অমখক্তদা ঙা টন মিলিয়ন ১০০, উচেক টন মিলিয়ন ১.৫, মেদিসিনেল প্লান্ট টন ৪৪০,০০০ অমসুং লম্লক্কী শা মিলিয়ন কয়া য়োনবগী থৌওং চত্থরি। মতৌ অসুম্না অরানবা মওংদা চত্থরিবা ৱাইল্ড লাইফ ট্রেদ থিংবা হায়বসিনা চহী অসিগী ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডেগী মপুং ওইবা থিমনি।

তোঙান তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নবা মরম্না শমু, কৈ, হঙোই, লিন অমসুং অতৈ শা মখল কয়া ফারগা মালেমগী মফমশিংদা পাক শন্না য়োন্নরক্লি। শমু ময়াসু মীয়াম্না পাম্নবা পোৎশক অমনি। কুমজা ১৯৭০ গী পরিংদগী শমু হাৎলগা শমু ময়া য়োনবা হৌনরকখিবা মরম্না অফ্রিকাদা শামু মশিং তংখায় অমরোম হন্থরক্লে। খুদক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতবা তারবদি চহী ১০ গী মতুংদা অফ্রিকাগী শমু খোঙ্গুল মুংখিবা য়াই হায়না মীপায়নরি।

সেভ দ ইলিফেন্টস কৌবা ৱাইল্ড লাইফ ওর্গনাইজেসন অমনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা শমু ময়া কিলোগ্রাম অমদা দোলর ২,১০০ দা য়োন্নরি। মরম অদুনা শমু ময়া লৌনবগীদমক চহী অমদা অফ্রিকান ইলিফেন্ট ৩৫,০০০-৫০,০০০ লোম হাৎলি। শা কয়াগী মতু, ময়া অমসুং মউন য়োনবদা শেল য়াম্না ফংবা মরম্না থৌরাং অসি পাক-শন্না লৌখৎনরকপনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ইকনমিক প্রোগ্রাম (য়ু এন ঈ পি) অমসুং ইন্টরপোলগী অপূনবা রিপোর্ট মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা শা মখলশিং হাৎলগা য়োনবদা দোলর বিলিয়ন ২৫৮ লোম তানবা ঙল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না য়ু এন ঈ পিনা ফোঙদোকখি। এনভাইরোন-মেন্টেল ক্রাইম মায়োক্লবদা ইন্টরনেসনল এজেন্সীশিংনা য়াম্লবা শেনফম কয়া মাঙলি।





# হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নরদা মনা খুৎশিন্নখ্রে


হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নর ওইখ্রবী **থোকচোম প্রিয়া**

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(ঐচ এন এস): *হুইয়েন লানপাউ* লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৬৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী থোকচোম প্রিয়াদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসনননা ঙসি পাউচে অসিগী ওফিসতা মনা খুৎশিন্নখ্রে।

পাউচে অসিগী সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা ওফিসতা ঙসি হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৬৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী থোকচোম প্রিয়ানা ক্যুইজ অসিগী অহানবা ওইনা ৱিন্নর ওইবা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, পাউচে অসিগী কলমশিংদা অসিগুম্বা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা লাইরিক্কী ৱাখল-লৌশিং নীংথীজনা ফংহনবা ঙম্বা অমদি মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা সাহিত্যগী ফিভম মমুৎ তানা থিজিনবদা অমসুং খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াহনবা কলম কয়ানি হায়খি। লোয়ননা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসননা ক্যুইজ ৱিন্নরশিংদা পীরিবা মনা অসিদা তুংদা হেন্না কুইনা নীংশিংনবা মেমেন্টোগুম্বা অমতংগা হাপহঞ্জনিংই হায়না ফোঙদোক্লমখি।

থোকচোম প্রিয়া (২৪) অপোকপা থোকচোম শরত অমসুং অপোকপী থোকচোম ওংবী লন্ধোনি অনীগী মচানুপীনি। মচিন-মনাও ৩ গী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি। মহাক খাঙবোক খুনৌ লৈকাই পার্ট ৩ দগীনি।

# য়ুম মৈ থাবদা চেন্নবা ২ জেলদা থাজিনখ্রে, গাড়ী হুরানবা ১ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লমদেং খুনৌদা লৈবা য়ুম অমা থা অসিগী ১২ গী নুংথিলদা মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনী পুলিসনা ফারবা মতুংদা জেলদা থাজিনখ্রে।

জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অনী অদুদি, কৈশাম নিলকান্ত এলিয়জ বিন লাদেন (৫৯) কৌই। মহাক লমদেং খুনৌদগীনি অমদি তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী চবুংবম ইবোপিশক (৫৮) নি হায়রি। মখোয় অনী থা অসিগী ১৬ তা জেলদা থাজিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়ুম মৈ চাকখিবগী থৌদোক অদুদা ঙাসেপ্পম তোম্বগী ফৌবোৎ ৩৫, লুপা লাখ অমরোমগী সনা, ফিরোল, উপু, কাংথোল অমদি য়ুমগী লৈতেংগী পোৎলমশিং লোয়না মৈনা তুম্না চাকখিবনি। য়ুম অদু সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী হুইদ্রোম ওংবী ইবেচাগীনি।

তাওথোং খুনৌদগী তোম্বনা য়ুম অদুদা লৈরগা লৌ শংবনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা গাড়ী মচা হুরানবা মীওই অমা গাড়ীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা থৌবাল পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা উরুপ খুনৌ এরিয়াদা গাড়ী হুরানবা মীওই খরা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী মফম অদুদা থি-হুম্বা চত্থবদা নুপা অমা ফাখি।

ফারবা মীওই অদুগী মমীং এম দি অনিস খান এলিয়জ ঙাওবা (১৮) কৌই। মহাক উরুপ খুনৌদগী এম দি নসিররুদ্দিনগী মচানুপানি হায়রি। মঙোন্দগী হিগোক মচুগী হোন্দা এক্তিভা জি থ্রি অমা ফঙলে হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, হোন্দা এক্তিভা অদু ময়াং ইম্ফাল কৈথেলদগী হুরাল্লকপনি হায়রি। গাড়ী অদু হুরানবা মতমদা উশোইপোকপীদগী এম দি নাওচা কৌবা অমগা লোয়ননা থবক অদু চত্থিখিবনি হায়রি।

# 'স্কুলগী লম লৌশিনবগী খোঙথাং হন্দোকউ'



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(ঐচ এন এস): মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লম লন্নাই মীওইশিংদা পাট্টা পীথোক্লম্লিবা খোঙথাং অসি অথুবা মতমদা হন্দোকউ হায়না ঙসি স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা মহৈরোয় খ্বায়দগী য়াম্না লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়াইরিপোক্তা লৈবা অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লম লন্নাই মীওইশিংদা মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা পাট্টা পীথোক্লম্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোকউ হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, য়াইরিপোক্তা লৈরিবা অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি হৌজিক হৌজিক পুন্না মহৈরোয় ২৫০ হেন্না তম্লি। অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং তম্বা য়াদনা লৈরিবনি। অদুবু অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিদি হৌজিক মহৈরোয় কয়াম অমা তমগে হায়না লাক্লবসু তম্বা ফঙনদ্রিবা স্কুলনি। স্কুল অসিবু ফগৎনবা হোৎনবদা এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা অৱাৎপা ওজা কয়া লন্নাই ওইনা পৈশা পুথোক্লগা তলব পীদুনা থম্লিবনি।

লৈঙাক্কী অসিগুম্বা মহৈরোয় কয়া তম্লিবা তুংগী অশা য়াম্না ৱাংখৎলক্লিবা স্কুল অসিগী লমগী শরুক খরা মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা লন্নাই মীওইশিংদা পাট্টা পানশিল্লম্বা অসি অঙকপা পোকই। হৌজিক স্কুল অসি হায়র সেকেন্দরি থাক্তা ওনখৎখিবগা লোয়ননা স্কুলগী অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি বিল্ডিংনচিংবা কয়া অমা শাগৎলক্লি।

স্কুল অসিগী বোইজ হোষ্টেলসু শাবগী থবক তৌরি। লন্নাই মীওইদা লম পীথোক্লম্বা অসিনা স্কুল অসি শেমগৎ শাগৎনবগী মফম লৈতদুনা অপনবা ওইহল্লে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লন্নাই মীওইদা মতৌ করম্না নমা পানশিল্লম্বনো অমদি পানশিল্লম্বা শরুক অদু হন্দোকহন্দবা তারগদবদি মহৈরোয়শিংনা তুংগী মীরোলগী য়েংলগা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। লোয়ননা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা লৈবীরিবা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্লীগী মীফমদা ৱাফম অসি পুখৎপীদুনা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌবীয়ু। মীয়ামগী ঈহৌ ঙায়বীগনু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নুপী অমদি নুপা শুমাং লীলাগী অথোই অহেন তাখ্রবশিং লাউথোকখ্রে

নোমিতা খোঙবান্তাবম



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা নিফুতরুকশুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা জন্যুৱারি ২৯ দগী ফেব্রুয়ারি ১৭ ফাওবা চত্থরকপা নুপী অমসুং নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী অথোই অহেন তান্নবগী মকোক মথং তাখ্রবশিং ঙসি শুমাং লীলা শঙলেন্দদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীগী প্রোগ্রাম ওফিসর কে রজুমনিনা লাউথোকখ্রে।

নুপা শুমাং লীলা গ্রুপকী বেষ্ট এক্তরদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা অহেনবা শাখিবা যুম্নাম অরুনকুমারনা তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট এক্তরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা নিংথেম্বা শাখিবা থৌদাম ওকেন্না তাখে। বেষ্ট এক্তরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা থোইবীনাও শাখিবা থোঙাম হেরামোটি অমদি সেকেন্দ বেষ্ট এক্ত্রেসতা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা ঙান্থোই শাখিবা সেঞ্জম দীপসন অমসুং সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *ৱাকচিংগী নোংঙাল্লমদাই* দা গাইজেনলু শাখিবা অরুন্না তাখি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্তরদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা ইনাকখুনবা শাখিবা ঐচ ললিটকুমার অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ত্রেসনা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা চিংশোম্বা শাখিবা সুর অথোকপনা তাখি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্ত্রেসতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা মেমথোই শাখিবা রোবিন্দ্রো অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ত্রেসতা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা লৈমা শাখিবা মিল্লন য়ুম্নামনা তাখি।

বেষ্ট এক্তর ইন কোমিক রোলদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা শাফবা শাখিবা এ সন্তোস অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট এক্তর ইন কোমিক রোলদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *ৱাকচিংগী নোংঙাল্লমদাই* দা লেম্বা শাখিবা সুরজিৎ সাইখোমনা তাখি।

নুপা খোঞ্জেলগী বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা শৈশকখিবা ব্রোজেন অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট প্লে বেক সিঙ্গরনা পীছ মেক আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা শৈশকখিবা নাওরেম জিতেন কুমারনা তাখি।

নুপী খোঞ্জেলগী বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা শৈশকখিবা কেবিস্না অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট প্লে বেক সিঙ্গরনা সনা লৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী *মচু ওল্লবা থম্বাল* দা শৈশকখিবা কে সনাতোম্বা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গরদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা শৈশকখিবা কান্তনা তাখি।

বেষ্ট লিরিসিষ্টতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* দা কোরৌ 'মানা ৱাংবরা ...' দা চিংলেন থিয়াম্না তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট লিরিসিষ্টতা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোয় অহাম্বে মহাও* দা 'পীগী ঈরিকনা চোৎলবী...' দা তম্ফাস্নানা তাখ্রে। বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্তরদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী এল বিনয়, সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্তরনা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী এম মোমোচানা তাখি।

বেষ্ট স্ক্রীপতা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন্না শান্নখিবা লীলা *থরোই অহাম্বে মহাও* ইখিবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানা তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রীপতা ইরমদম মণিপুর আর্টিটে এসোসিয়েসন্না শান্নখিবা লীলা *থৱায়গী থৱায়* ইখিবা ওক্রম কুঞ্জোনা তাখ্রে।

বেষ্ট দিরেক্তরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা *থৱায়গী থৱায়* দা দিরেক্সন পীখিবা গীটচন্দ্র চোংথাম, সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্তরদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও* দা দিরেক্সন পীখিবা ললিটকুমারনা তাখি।

বেষ্ট প্রদক্সনদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থরোই অহাম্বে মহাও*, সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সনদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *থৱায়গী থৱায়* অমসুং থর্দ বেষ্ট প্রদক্সনদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *ৱাকচিংগী নোংঙাল্লমদাই* না তাখ্রে।

**নুপী কাঙলুপঃ** ৪৬ শুবা শুমাং লীলা ২০১৭-১৮ গী নুপী কাঙলুপকী বেষ্ট এক্তরদা রুমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *ঐহাকথক* তা খুল্লাকপা শাখিবী এল প্রেমিলা লৈমা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট এক্তরদা দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী *নীংশিংবীদ্রবা মৈতৈ পাথৌ* দা হেরাচন্দ্র শাখিবী লাইশ্রম মোরাংলৈমনা তাখি।

বেষ্ট এক্ত্রেসতা রুমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী লীলা *ঐহাকথক* তা লুৱাং লৈমা শাখিবী ঈ তমু লৈমা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট এক্ত্রেসতা রুমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসনগী *নোংদমখোল* দা কুশুম শাখিবী বি রোজিনা তাখ্রে।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্তরদা মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী ৱাই বিদ্যারানি অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্তরনা দি চনুর যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী কেএসঐচ সুসমনা তাখি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্ত্রেসতা দি য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী এল পেন্সি অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ত্রেসতা মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী এল প্রেমিকানা তাখি।

বেষ্ট এক্তর ইন কোমিক রোলদা দি ইম্ফাল থিয়েটরগী দব্লিউ অপনা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট এক্তর ইন কোমিক রোলদা রুমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসনগী সনাহনবীনা তাখি।

বেষ্ট চাইল্দ আর্টিষ্টতা দি য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী বেবী এস য়াইফবী অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট চাইর্ল্ড আর্টিষ্টনা দি থাংজিং আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমীগী বেবী এম সঞ্জনানা তাখি।

বেষ্ট স্ক্রীপতা দি চিঙু থাংজিং রুমেন্স আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা *হাওরং লৈশং শাফবী* না তাখ্রে। লীলা অসি সরাংথেম বোরমনিনা ইবনি। সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রীপতা দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী *নীংশিংবীদ্রবা মৈতৈ পাথৌ* না তাখ্রে। লীলা অসি নবদ্বিপ নিংথৌজানা ইবনি। বেষ্ট দিরেক্তরদা রুমেন্স দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী এল প্রেমিলা লৈমা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্তরদা দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী ইবোয়াইমা খুমন্না তাখি।

বেষ্ট প্রদক্সনদা দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী *নীংশিংবীদ্রবা মৈতৈ পাথৌ* না তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন্না রুমেন্স দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *ঐহাকথক* না তাখি অমসুং থর্দ বেষ্ট প্রদক্সন্না রুমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসনগী *নোংদমখোল* না তাখি।

হয়েং মকোক মথং তাখ্রবা নুপা লীলাগী রি-প্লে উৎকনি।